

থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

অচূম্বা ঙাঙবা, নীংতম্বা অয়েকপা লাই

মী ওইবগী পূক্নিং হায়বসিদগী হেন্না মনীং তম্বা অতোপ্পা অমা লৈতে। হায়নৈ মালেম শীন'থুংনা। ইনি দয়নশিংগী/রসিয়নশিংগী পূক্নিংদি মনীং তমদে হায়রুবা য়াবা নত্তে। মী অমা ওইনা মালেমসিদা পোক্লরবা খূদিংমক মনীং তম্বা পূক্নিং অমমম শাগোন্নরকই পোকপদগী। অদুবু, মীওইবনা অঙাং ওইরম্বদগী তপ্পা-তপ্পা চাউখৎলক, মপূম-মরৈ ফারবা মী অমমম ওইরকপা, ৱাখল খনবা হৈরকপদগী, পোকপদগী লোয়নজরকপা মনীং-তম্বা মতৌ অদু তপ্পা-তপ্পা মাঙলকই। মহাক্না লৈরিবা খুন্নায়দুনা, হৌমিন-কামিন্নরকপা অমদি তাকপী-তম্বীরকপা গুরুশিংনা মীওইববু তমথীরবা কৈশুমশঙ অমদা মহাক মশা খঙহন্দনা তপ্পা তপ্পা পুশিনখি। কৈশুমশঙদুদি করিনো? অদোম করিগুম্বদা খন্থবীখ্রবরা? চেকপল মনূংদা, নাম্থোকপা ঙমদ্রবা ফক্লাং মরিনা কোইশিনবা কা অদুদা ফাদুনা থল্লিবা ফাদোক অদুনা লৈরিবা মফমদুখক্তা নত্তে কৈশুমশঙ। ঐনা পামজবা ৱাখল ফিদম অমা লৌরুবা অদুসু ফাদোক অমবু পুল্লিবা য়োৎহ্লিং-ফলাং অদুগুম্বনি। ঈখোঙনা থোংনা কৈশুমশঙ অমদা খোঙ থাংজিনবা হৌরবনি। কৈশুমশঙ অদুদি মন্দির, চর্চ, মসজিদ, গুরুদ্বার অমা হেক্তা ওইবা য়াই। বেদান্তগী লাইরীকশিং, হোলি বাইবল, হোলি কুরান... ঐবু পুল্লিবা খোঙগী য়োৎহ্লিং অদুনি।

তশেংনা মনীং তম্লিবা মীওইবা অদুদি কৈদৌঙৈদা হিন্দু, মুস্লিম, খৃষ্টিয়ন, বুদ্ধিষ্ট নৎত্রগা সনামহী ওইরক্লোই। মহাক্তি অহীংবা থৱায়নি - মফম মতম অমদা হেক্তা লৈবা ঙম্বা, ৱাখলগী অফা-অপুনা লৈতবা। অহীংবা মিংশেল অমগুম লৈরু-লৈরুবা মফমদুগী অশেঙবা শক্তম মমি তাবা অশেঙবা পূক্নিং। অদুগুম্বা পূক্নিংদি কদায়দগী থিরুনি? থিরুদৌবা নত্তে অথাপ্পদা। ঈশাদা য়াওই শাগোন্ননা। লুরিবদি - ৱাখল ফিদম অমত্তগী মমি তাদবা, অফ-ফত্তগী ৱাখলনা মোৎশিনহন্দ্রিবা, অমকপা লৈতবা অঙাংগী পূক্নিং মতৌদু তম্বা ঙমদবা অদুনি।

ফাদোক তারবা মী! অমদি মনীংতম্না হিংলিবা মী! অনী অসি করিদা খেন্নবগে? অমনা, চৎনীংবদা চৎপা ফংদবা, চানীংবা চাবা ফংদবা, অতোপ্পদুনা, চৎনীংবা মফমদা, নীংলকপা মতমদা চৎপা ঙম্বা, চানীংবা চাঞ্জাক থিরগা চাবা ফংবা - অদু নত্তে খেন্নরিবা। ফাদোক অদুগী পূক্নিংদি হয়েং করি ওইরনি হায়বদু হায়বা ঙম্মী চাউরাকপা অমা, মনীং তম্না হিংলিবা মহাক্কীদি হায়বা ঙল্লোই কনানসু - 'সিনি খেন্নবা হায়ববু। ফাদোক অমগী পূক্নিংদি মহাক্কী হৌখ্রবা পুন্সিদুনা লেপ্পনি। হৌখ্রবা পূন্সি অদুনা মহাক্কী লমচৎ অমা শেম্লকই, হোংবা য়াদ্রবা মশক অমা ওইরকই। মাগী তুংগী পূন্সিসু মমাঙথক্কী পূন্সিদুনা শমথরকপা অদুনি। করম' - কদোম' থোক্লগদবা? লাকশিনবা ঙম্মী ইরায় লায়না। নীংতম্বা পূন্সিদি শক্তাকপসু অরুবনি, শক্লাকপসু অৱাবনি। মানা করি খল্লিবা খঙবা ঙম্লুদবনা, হয়েং করি তৌরক্কনি - কনানসু হায়'ঙমদে। মশাগী নীংতম্বা মাঙখ্রবা মাগী পূক্নিংদি অয়েকপা লাই অমগুম্বনি। নীংতম্বা পূক্নিংনা অহীংবা মিংশেল অমনি। হোরেন করি মমি তাগনি - হায়বা ঙল্লোই কনানসু।

চিনা ফুঙ্গা ৱারী অমা লৈ। মতাঙ চানা নীংশিংলকই। নিংথৌ অমগী দরবারদা নোংমা থুংলখি - 'তাওইজম' (চীনাগী লাইনীং লম্বী অমা) দা থাজজবা অফাওবা লাই য়েকপা অমা। মহাক্না নিংথৌদা হঙ্গৎলম্মী... মালেমসিদা কনামত্তনা য়েকখিদ্রিবা, তুংদসু কনামত্তনা য়েক'ঙল্লরোইদবা লাই অমা য়েকপা ঙমগনি। সনা কোনুংগী লাইয়েকপা, কোনুংদুতা নত্তনা লৈবাক পুম্বা ফজহল্লিবা মাঙোন্দা শীংনবা অমগুম থোক্লরে। নিংথৌদা হঙ্গৎলে, ...'ঐখোয় অনীবু য়েক্লিংবা লাই য়েকহল্লো, অদুগা, কায়নথংদা করম্বনা হেনবগে ইনিংথৌ ৱায়েনবীরো...।

নিংথৌদুসু ঙকচানখি। মাগী লাইয়েকপা অদুসু লম্বা লৈতনা হৈবনি, মালেমগী ওইনা তাঙলবা কলাকার অমনি চাউথোকচরিবনি। খনখি ... মাগী কলাকার অদুনা তাউইষ্ট লাইয়েকপদুবু লায়না মায়থীবা পীবা ঙমগনি...। থা তরুক'কী মতম পীদুনা, মানা মানা য়েক্লিংবা লাই য়েক্কনবা য়াথং তৌখরে। মায়োক্লবা ফক্লাং অনীখক্তা মানা মানা পামজবা লাই য়েক্কদবনি।

চাইনিজ (তাউইষ্ট) লাইয়েকপা অদুনা হায়জখি, থা তরুক শুদ্রিমখৈ মাগী লাই অদু কনামত্তা য়েংহনবীগনু। অথাবা ফিনা কোইনা খাজিন্দুনা থম্লগা মহাক মথন্তা মনূংদুদা লৈহনখ্রে। কোনুংগী লাইয়েকপা অদুদি, মানা য়েক্লিবা লাই অদু অচৎ-অওক পুম্নমকপু মনীং তম্না য়েংহনখি। অউবশিংনা হায়নখি - অঙকপা লাই অমনি ... মাগা লম্বা পাগনি চোংথোরক্লিবা অঙাওবা, করম্বা মীবু ওইরিগবা!

থা তরুক হৌখরে। লাই য়েকপগী অথোই-অহেন লেপ্পবা নিংথৌদুসু থুংলরে। লৈবাক্তুগী অঙম-অথৌ, মীনা চোন্না তিল্লরে। মরৈবাক্কী লাই য়েকপনা য়েকপা লাইদু উবদা ঙক্খরে মীয়ামদু। সিদগী হেন্না ফজবা লাই অমবু কনানা য়েকপা ঙমগনি? ঙাঙনৈ, শোন্নৈ মীয়াম্না। ফিনা কোইনা খাজিল্লিবা চাইনিজ লাইয়েকপদুগী লাই অদু য়েংনিংবনা লাংতক্করে। নিংথৌনা য়াথং তৌরকই - ফিজঙ অদু হাইদোক্লো!

নিংথৌদুতা নত্তনা তিল্লিবা মীয়াম পুম্নমক ঙকপনা খম থেংখরে। মাগী ফক্লাং অদুদি করিমত্তা য়েক্লমদ্রে। পূমহাঙ হাঙবা ফক্লাং অমা ওইরল্লে। অদুবু, লংত্রিক লংবা মিংশেলগা পাঙ্খক ওইরবা, লূবদগী লুরবা, নানবদগী নাল্লবা ফক্লাং অমা ওইরল্লে। মায়োক্লবদা লৈরিবা লাইদুগী মমিদু মিংশেলগুম্বা ফক্লাংদুদা তাবা মমি, মরক্তুদা অহীংবা মী ময়ামগী লেঙ-ওৎপা মমি ময়াম, ওন্থোকপা শক্তম অমা ওইখরে।

'করিনো নঙনা তৌরিবসে?' নিংথৌদুগী ৱাহংদা লাইয়েকপনা খুল্লকই, ...'ইনিংথৌ, ঐগী লাই অসিদি মতম চূপ্পদা শিবা নাইররোইদবা, অচুম্বতা ঙাঙলগদবা অহীংবা লাই অমনি, নীংতম্বা পূক্নিং ৱাখলগী মমিনি...।'

লৌশিং পুক্কৈ

ৱাখল ৱাবা থবক্না পুন্সি তেলহনলি

হেন্না ৱাখল ৱাবা থবক শুবনা হকচাং শোকহল্লি হায়বসি পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্না অয়াম্বা মতমদা ৱাখল ৱাবা থবক শুবগা লোয়নন্না থবক মফমদা তোয়না ষ্ট্রেস মায়োক্লবা মীওইশিং কুইনা পুন্সিদে হায়বা খঙলে।

ইন্দিয়ানা য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা ৱিস্কোন্সিনদা লৈবা মশাগী চহী ৬০ শুরবা মীওই ২,৩৬৩ গী মরমদা চহী ৭ চুপ্পা নৈনরম্মী। কুমজা ১৯৫৭ তা ৱিস্কোন্সিন হায় স্কুলদগী গ্রেজুয়েট ওইখিবা মীওই ১০,০০০ দা চথখিবা ৱিস্কোন্সিন লোঙ্গিচ্যুদিনেল ষ্টদিগী রিপোর্টসু কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। থবক মফমদা মশানা ৱারেপ লৌজনবগী রাইট লৈতবা মীওইশিং ঙস্তানা শিবা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি। ৱাখল য়াম্না ৱাবা থবক ওইরগনা অমুক্তা হেন্না রিস্ক ৱাংই হায়রি।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা ইন্দিয়ানা য়ুনিভর্সিটিগী কেলি স্কুলদা ওর্গনাইজেসনেল বিহেবিয়র এন্দ হ্যুমেন রিছোর্সেসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার এরিক গোঞ্জালেসনা হায়খি, ৱাখল ৱাবা থবক তৌরবসু থবক মফমদা মশানা ৱারেপ লৌজনবগী রাইট লৈবা মীওইশিংদুদি চাউনা কান্নবা ফংই। 'ৱর্ক টু দেথ: দ রিলেসনশিপস ওফ জোব দিমান্দস এন্দ জোব কন্ট্রোল ৱিথ মোর্টেলিটি' হায়না মিংথোনবা রিছার্চ অমগী রিপোর্টনা হায়খি, অখন্নবা পান্দম অমা ফংনবা হোৎনবদা থবক তৌমিন্নরিবা মীপুম খুদিংমক শরুক য়াহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

হকচাং ফবা হায়বসি অনা অয়েক য়াওদবা অদুখক নত্তে। পূক্নিং ৱাখল অমদি হকচাং নুংঙাইনা লৈবদুনি হায়না ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না ফোঙদোকখি। মতৌ অসুম্না থবক মফমদা নুংঙাইনা থবক তৌবা হায়বসিদা মরুওইরিবসি, হকচাং শোক্লোইদবা মওংদা থবক তৌবদুখক নত্তে, হকচাং অমদি পূক্নিং-ৱাখল নুংঙাইগদবা মওংদা থবক তৌবদুনি। ইমপ্লোয়ী অমনা থবক তৌমিন্নরিবা মরুপ মপাং অমদি মকোক থোংবা ওফিসলগী মতেং ফংদ্রবা অমসুং থবক্না মরী লৈনবা ৱারেপ লৌনবগী রাইট ফংদ্রবদি ষ্ট্রেস মায়োক্লরকই। ষ্ট্রেসনা মরম ওইরগা ইমপ্লোয়ী অদুগী হকচাং শোকহল্লকপগা লোয়নন্না মওং-মরিও তানা থবক তৌবা ঙম্লক্তবদগী মহাক্না থবক তৌরিবা ফার্ম অদুসু শিথরক্লবগী মরম ওইহল্লি।

কনাগুম্বা মীওই অমদা মশাগী লৌশিং অমসুং তৌবা ঙম্বগী চাংগা চান্নদবা মওংদা অহেনবা থবক তৌহল্লবদি ষ্ট্রেস মায়োক্লরকই। মদুদা থবক তৌমিন্নরিবা মরুপ-মপাংশিং অমসুং মথক থোংবশিংগী মতেং ফংদবগা লোয়নন্না থবক্না মরী লৈনবা ৱারেপ লৌবদা শরুক য়াবা ফংদ্রবদি ষ্ট্রেস মায়োক্লবগী চাং হেনগৎলকই।

করিগুম্বা মতমদা থবক্কী প্রেসর অমসুং ষ্ট্রেসকী মরক্তা হেক হেক চম্নবা পোকই। থবক মফম খুদিংমক্তা থবক্না মরী লৈনবা প্রেসর মায়োক্লবা হায়বসি মশানা তারবা ৱাফমনি। প্রেসর অদুনা থৌনা হাপকৎপদগী হেন্না হেন্না ফজবা মওংদা থবক তৌবা ঙমহল্লিবনি। অদুবু মীওইবনা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা মওংদা অহেনবা প্রেসর পীশিল্লবদি মদুনা ষ্ট্রেস ওইহল্লক্তুনা হকচং শোকহল্লি অমসুং থবক ফজনা তৌবা ঙমহন্দে।

হীরম অসিগী মতাংদা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, কনাগুম্বা শিন্মী অমগী লৌশিং অমসুং তৌবা ঙম্বা চাংদগী হেনবা মওংদা থবক্কী প্রেসর পীশিল্লবদি ষ্ট্রেস মায়োক্লরকই। মদুদা থবক তৌমিন্নরিবা অতৈ মীওইশিংগী মতেং ফংদ্রবদি ষ্ট্রেস মায়োক্লবগী চাং হেনগৎলকই।

থবক্না মরী লৈনবা ষ্ট্রেসকী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টদি কয়া চথদুনা রিপোর্ট কয়াসু ফোঙলকপা লৈখ্রে। রিপোর্টশিং অদুগী মতুংইন্না ষ্ট্রেস হন্থহনবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌরাংদি ঈকায়খুম্নবিবা অমসুং শিংথানবীবা হায়বসিনি। থবক মফমদা শিন্মী অমবু মপুং ফানা ঈকায়খুম্নবীবগা লোয়নন্না মহাক্না তৌরিবা থবক অদু শিংথাবীদুনা থাগৎপা ফোঙদোক-পীরবদি মখল অমত্তগী ষ্ট্রেস মায়োক্লদবা মরম্না থবক তৌবা ঙম্বগী চাং হেনগৎলক্কনি হায়রি।

লন-থুমগী ৱাফম্না তোখায়না থমখ্রগা মীওইবনা খ্বাইদগী পাল্লিবসি ঈকায়খুম্নবীবা অমসুং চঙখি-চঙখিবা মফম খুদিংমক্তা ফিদা অমা ফংবা হায়বদুনি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা মীওইবনা তৌরিবা থবক খুদিংমক ঈকায়খুম্নবা ফংনবগীদমক্তনি হায়না লৌবা য়াই। কনাগুম্বনা শিনফম অমা নৎত্রগা অমা পায়দুনা শেল তানবা য়াবা তাল্লুরগা শেঞ্জাও পায়বা মীশক অমা ওইরবা মতুংদা মখা তানা শেল তাল্লুবগী মথৌ তাদ্রবসু ভোট লেপ্পুনা মিনিষ্টর ওইনবা হোৎন-রকপা য়াওরিবসি ঈকায়খুম্নবা ফংনবগীদমক্তনি হায়বা য়াই।

ওক্যুপেসনেল হেল্‌থ সাইকো-লোজিগী মতাংদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমবু খোঙথাং খুদিংগী অশোয়বা থিদুনা চৈ-থাংবগী থৌওং চথরবদি হেন্না হেন্না ৱাখল লৌশিং ফকচিনখিদুনা থবক অমত্তা মওং মরিল তানা তৌবা ঙমহন্দে। মদুগী মহুত্তা থাগৎ ৱাহৈ কয়ানা শিংথাবীরবদি মতিং ফুদোক্তুনা থবক তৌরকই অমসুং হেন্না হেন্না ফজবা মওংদা থবক তৌগে খল্লকই।

মরুওইরিবা ৱাফমদি থবক মফমদা ষ্ট্রেস মায়োক্লবনা মীওইবগী পুন্সি তেলহনবগী মতাংদনি। ইন্দিয়ানা য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চর-শিংনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, কনাগুম্বা অমা থবক মফমদা কা হেন্না ষ্ট্রেস মায়োক্লরবদি হকচাং শোকচিল্লক্তুনা পুন্সি তেলহল্লি। মদুগীসু মথক্তা প্রদক্তিভিটি ৱাৎপদগী মহাক্না থবক তৌরিবা ফার্ম অদুসু শিথরক্লবগী মরম ওইরকই।

ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা স্কুলশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি: ইন্দ্রজিৎ

BEST TOP TEN M...OUS AWARD PRESENT
for Ksh... Assembly Cons
...sday, 21st June, 2017
...sed by
...Sagat Apunb
Leikai, Imphal East
...NAHAKPAM IND
A/C, Parliamentary Se
...ovt. of Manipur

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) : ক্ষেত্রিগাও এ সীদগী অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্লবগীদমক এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা স্কুলশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না মাহুদকী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্ষেত্রিগাও শেমগৎ শাগৎ অপুনবা লুপ (কসাল) না শীন্দুনা থম্বালখোঙ সাবল লৈকায়দা লৈবা নুংথিলচাইবী কম্যুনিটি হোলদা ঙসি এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা অফবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী ফিভম য়েংশিনহন্নবা মীওই ১০ না শাবা টিম অমা শেম্লে। টিম অসিনা স্কুলশিং অসিগী ফিভম য়েংশিনবগী থবক চথগনি। ওজা ওইবিরিবশিংনসু মহৈরোয়শিংবু মীথোই মীহেনবা মীশক অমমম ওইহন্নবা নীংথিনা তাকপী তম্বীবগী থবক তৌবীয়ু।

ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা মহৈরোয়শিংনা বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বকী এগজামদা অহানবদগী মঙাশুবা ফাওবগী মনুংদা পোজিসন লৌরকপা ঙল্লবদি মখা তানা মহৈরোয় অদুগী মহে তম্নবা হোৎনবদা চঙবা মীংজলশেন পুথোক্কনি। মহৈরোয়শিংনসু হায়রিবা এগজামশিং অসিদা পোজিসন লৌবা ঙম্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনবীয়ু।

লৈঙাক্কী থবক লৌবদা শেল পীরগা হাপ্লক্কনি হায়বা ৱাখল্লোন এ সী অসিগী মীয়ামদা লৈবীগনু। থবক লৌবা মতমদা মেরিট বেসিসতা য়েংলগা শোয়দনা হাপ্লক্কনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মীয়ামগীদমক করিগুম্বা খরদি তৌজগে হায়না খল্লকপা মঙলান অদু মঙফাওনরে। হিংলিবা পুন্সি মতেক অসি মীয়ামগীদমক কখোকপগা লোয়নন্না য়াইফন্নবা থৌদাং য়াগনি। অতোপ্পা এ সীশিংগা য়েঙনরুবদা শোখনা লৈরিবা ক্ষেত্রিগাও এ সী অসিবু মাঙজিন থাবা ঙম্ননবসু হোৎনগনি। অফবা মহৈরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অসি মথংগী চহীদদি হেন্না পাক চাউনা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাও শেমগৎ শাগৎ অপুনবা লুপকী প্রসিদেন্ট শরাংথেম দোনেশ্বরনা প্রসিদেন্ট, লুপ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম ইবোমচা অমসুং সেক্রেটরি চনম শ্যামো মৈতৈনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা এম এল এ ইন্দ্রজিৎকী লোয়নবী নহাকপম ওংবী রেখাসু দেইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

অফবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম), কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম) অমসুং সী বি এস ঈনা লৌবা চহী অসিগী ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্ব এগজামদা মার্ক ৱাঙনা ফঙলকখ্রবা মহৈরোয় কয়াদা মনা পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

জৌ ষ্ট্যুদেন্টস ওর্গনাইজেসন মোরে ব্লোক্কী সিলভর জুবিলি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) : জৌ ষ্ট্যুদেন্টস ওর্গনাইজেসন মোরে ব্লোক্কী সিলভর জুবিলিগী থৌরম মোরে ৱার্দ নম্বর টুগী য়ু জেদ ও হোলদা থা অসিগী ১৯ দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লীগী স্পীকর ৱাই খেমচান্দনা চীফ গেষ্ট, এক্স মিনিষ্টর দি কোরুংথাং অমসুং তেংনৌপল এ সীগী এম এল এনা গেষ্ট ওফ ওনর লোয়নন্না ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চেয়রমেন লুখোসৈ জৌনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

থৌরম অদুদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল চান্দেলগী মেম্বরশিং অমসুং মোরেদা লৈরিবা কম্যুনিটি কয়াগী লুচিংবশিং মরুওইনা তামিল সঙ্গম মোরে, মীতৈ কাউন্সিল মোরে, মণিপুরী মুসলিম কাউন্সিল মোরেনচিংবনচিংবসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ৱাই খেমচান্দনা হায়খি, জৌ ষ্ট্যুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী ২৫ রক শুবা সিলভর জুবিলিগী থৌরম অসি জৌ ফুরুপ অমসুং জৌ মহৈরোয়শিংনা লিশাং শীৎনা মহৈরোয়শিংগী ঈহৌ অমা লৈরম্মী হায়বগী মমী তাবা ইন্দো ম্যানমার বোর্দর ত্রেদ অসি য়াম্না খঙহৌদনা মতম অমদা বোর্দর ত্রেদকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈত্রিঙৈদগী মপুং ফানা এদমিনিষ্ট্রেসন খঙদ্রিঙৈদা পাঙথোকখিবনিনা বোর্দর ত্রেদ লৈত্রগসু বোর্দর ত্রেদকী কান্নবা অসিদি মণিপুরদা তারিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপশিং ইফঙ ফঙহৌদবগুম তৌই।

লুক ইষ্ট পোলিসি ওইরম্বদগী এক্ট ইষ্ট পোলিসি হায়না হোংদোক্লবা মতুংদা লাক্লিবা প্রোগ্রেস অসি খ্বায়দগী শাংবা রেলৱে ব্রিজ অসি মণিপুরদা ওইরে হায়বসি মীয়াম পুন্না খঙমিন্নরিবসিনি। য়াম্না খুমাং চাওশিন্না চঙশিল্লক্লিবা অসিগা মরী লৈননা ত্রান্স এসিয়ন হায়ৱে চৎকদবা লম্বী অসি মোরে ফাওরগা শেমগদৌরিবনি।

মোরেদা লৈমিন্নরিবা কম্যুনিটিশিং নুংশি চান্ননা লৈবা তারগদি মোরে কুম্লমদনা চৎখিবা অমদি চৎপা য়ারোই, মফম অসিদা অচৌবা ষ্টেসন অমা ওইগনি অমসুং অচৌবা লল্লোন ঈতিক্কী মফম অমা ওইগদৌরিবনি। ঈং তপ্পা লৈবা মোরে ওইবা তারগদি ইম্ফালনা কেপিটেল সিটি ওইরবসু মোরে অসিনা ব্যুজিনেসকী সিটি অমা শোয়দনা ওইগনি হায়না খল্লি।

মহাক্না হনখ্রবা মতমদা চীফ মিনিষ্টরদা মোরেগী দিমান্দশিং অদু পীশিনগনি। হাউসতসু মোরেগী ৱাফম খন্নবদা মতেঙ পাঙগনি। মোরেগী হেল্‌থ সেক্তর অসি হাঙজবতনি। হোস্পিটালদা দাক্তর লৈতে। লৈতবগী মরম হঙলুবদা দাক্তরগী ক্বার্টর লৈতবননি। ক্বার্টর শাননবা শেনফমদি য়াম্না চাউনা কায়খ্রে হায়বা তাই। অদুবু হৌজিক ফাওবা দাক্তরগী ক্বার্টর শাদ্রি। মরম অসিনা হীরম অসিদা করিগুম্বা অরানবা খরা লৈরম্বা য়াই।

মণিপুরগী মমায় ওইগদৌরিবা সাউথ এসিয়াগা শম্নগদৌরিবা মোরে অসি মপু পান্দবদৌনা তৌনিংবতা তৌবা মওং অসি কম্যুনিটি লিদরশিং অমসুং লোকেল এম এল এসু লৈরবনিনা পুন্না হোৎনমিন্নরগা চুমথোকসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি কোরুংথাংনা হায়খি, ঐখোয় পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি মদুদি ইরমদম অসি করম্বা ফিভমদা লৈরিবনো। হৌজিক্কী মীরোলনা খনবা ৱাখলদা তংদু লৈতাদবা, য়ুমদা তুম্বা ঙমদবা, চর্চ কারবসু মপুং ফানা কাবা ঙমদবা, থবক চৎখিবা মতমদা করি থোক্কদগে হায়না মতম লৈবা খিবিক্তা ৱাখলদা ঈং তপ্পা ফঙদদুনা লৈরিবা অসি করিগীনো হায়বসি হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিং মরুওইনা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদবা মহৈরোয় লুচিংবশিং অসিনা করি তৌবা তায় হায়বদু খন্নগদবনি।

ঐখোয়না চৎকদবা লম্বী অনীখক্তনি। মদুদি অহানবদা চাউখৎপা, ঈং তপ্পা অমসুং য়ৈখায় থিনগাইবা অমদি লৈতাদবগী মায়কৈ অসিখক্তনি। মীপুম খুদিংমক ফত্তবগী লম্বীদা চৎনিংলোই অমসুং খুৎ থানিংলোই। অফবগীদমক্তা খুৎ থানিংগনি। অফবা লম্বীদা করিগীদমক্তা থবক তৌবা ঙমদ্রিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি।

ঙসিদি য়াম্না চাউখৎলবা মতমনি। ফুরুপ অমগা ফুরুপ অমগা য়েংথিনবা মতমদু হৌখ্রে। ফুরুপকী য়েংথিনবগী মতম চৎখ্রে। ফুরুপ অমগা ফুরুপ অমগা লৌনবা য়াদবা, খুন অমগা খুন অমগা চঙনবা য়াদবা কয়া লৈরম্বা অদু তোকখ্রে। লমচৎ শাজৎশিং অসি মীওইবা ঐখোয়না শেম্বনি মপুনা পীবা নত্তে। মপুনা অফবগীদমক্তা শেম্ববীনি। মীওই অমগা মীওই অমগা ইকায়খুম্নদ্রবদি ফত্তবা অদু ফত্তে। অফবা অদু অচুম্বনি হায়না চুম্না হায়বা ঙল্লবা মতম অদুদা চাউখৎপা পুরকপা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মোরে টাউন অসি ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা মফম অমনি। মসিদগী হেন্না চাউখৎপা টাউন অমা ওইহনসি হায়বা তারগদি ঈং তপ্পা হায়বসি তঙায়ফদে। ঈং তপ্পা লৈনবা করি তৌবা তায় হায়বদা সোসল ওর্গনাইজেসনশিং, ষ্ট্যুদেন্টস ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং পুন্না ৱাখল তমিন্নবা মথৌ তাই। মী লাক্লিংদবা খুন, মী চঙনিংদবা য়ুম হায়বা অসি অফবা য়ুম কৌদে। মীনা তোয়না চঙনিংবা য়ুম, মী লাক্লিংবা য়ুম হায়বা অসি মীবু নুংশিনা তৌবা কয়া অদুনা লাকপনি। মোরে টাউন অসি তেংনৌপল এ সী খক্তগী নত্তে। মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী মায়নি। মোরে চাউখৎনবা খনবীয়ু হায়দুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঈচাওগী অৱাবা নঙলবশিংদা তেঙবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) : ৱাঙ্গৈই এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা তোপ সিফাই ময়াই লৈকাই, মখা লৈকাই অমসুং অৱাং লৈকাইগী ঈচাওনা ময়ুম থুমজিনখ্রবা মীওইশিংদা খুদক্কী ওইবা অৱা তেঙবাংগী পোৎলমশিং এ সী অসিগী এম এল এ ওইনাম লুখোইগী মীৎয়েং মখাদা সোসল ৱেলফেয়র ক্লব তোপ সিফাইনা শীন্দুনা নুংথেল ইমা ৱুমেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন তোপ সিফাই ময়াই লৈকাইগী শঙলেনদা য়েন্থোকখ্রে।

সোসল ৱেলফেয়র ক্লব তোপ সিফাইগী সেক্রেটরি জেনরেল টি তেকচাম্বনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙরাং অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা ক্লব অসিগী মেম্বরশিং অমদি ইমা ইবেনশিংগা লোয়নন্না চেঙ, হৱাই, থুম, থাউ, কেন্দল, মোস্কিটো রিপিলেন্টনচিংবা ঈশিং থুমজিনখ্রবা য়ুম ১২০ রোমগী মীওইশিংদা য়েন্থোকখ্রে। ঈচাওনা থুমজিনখ্রবা লৌফমশিং অমদি ঙাগী ফার্মশিং অদুসু এম এল এ ও লুখোইনা য়েংশিনখি। তেঙবাংগী পোৎলমশিং অসি মতম চানা লোকেল এম এল এনা য়েন্থোকপা অমদি ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিং য়েংশিন খোঙচৎ চৎখিবা অসিগীদমক ক্লব অসিনা এম এল এবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মখা তারকপা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা মীয়ামগা লোয়নন্না মতম শাংনা থবক তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

খুৎলায়গা কোন্ননা কে সী পিগী কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী ও সী পি অচৌবনা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৪.৩০ রোম তাবা মতমদা ব্রহ্মপুত্র থাঙ্গপাৎ এরিয়াদা থিবা হুন্বা চথবদা কে সী পি (পীপলস ৱার গ্রুপ) কী ওভরগ্রাউন্দদা থবক তৌবা মীওই অমা খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

কম্মান্দোনা ফারবা কাদর অদুগী মমীং অরিবম রিকেশ শর্ম্মা এলিয়জ টিঙ্গু (২৪) অপোকপা এ সরতচন্দ্র শর্ম্মা কৌই। মহাক ব্রহ্মপুর থাঙ্গপাৎ মপানদা লৈবনি হায়রি। মহাক হৌজিক কে সী পি (পীপলস ৱার গ্রুপ) কী কম্মান্দর মথৌই এলিয়জ থোই লুৱাং এলিয়জ সুভাসচন্দ্র হিয়াংলমদা লৈবা অসিগী মখাদা থবক তৌবনি হায়রি। মঙোন্দগী পোইন্ট ৩২ গী পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু অনী কে সী পি (পীপলস ৱার গ্রুপ) কী কন্টেক নোট য়াওবা চেনা মরি পানবা বোই অমা অমদি মোবাইল হেন্দসেট অমা ফঙলে হায়রি। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা শেন্নবদা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা, শিংজমৈ পুলিসকী ও সী ইঙোচানা লুচিংবা টিম অমনা ঙরাং নুমিদাং চিংঙা মখাদা য়ু য়োনবী নুপী অমা সেকমাইগী য়ু লিটর ২০ গা লোয়নন্না ফারে হায়রি। ফারবা নুপী অদু ঙসি কোর্টতা পুথোক্লগা লুপা লিশিং অমা ফাইন থিহল্লগা থাদোকখ্রে হায়রি। পুলিস ষ্টেসন অসিনা কোনবা এরিয়াদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োন্দনবগী দ্রাইব মখা তানা চথখিগনি হায়রি।

জেনিমস হোস্পিটালদা টৌটি ঈশিং তাদবা নুমিৎ হুমনি শুরে

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) : জাৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) হোস্পিটালগী ৱার্দশিংদা টৌটি ঈশিং তাদবা নুমিৎ হুমনিরোম শুরে হায়রি।

হোস্পিটাল অসিগী ৱার্দশিংদা ঈশিং ফঙদবা অসিনা মফম অসিদা লৈরিবা অনাবশিং অমদি সেবারিশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।

পাউচে অসিদা পেসেন্ট কাঙবু খরনা ফোঙদোরকপদা, জেনিমস হোস্পিটাল অসিগী গাইনি ৱার্দ, সর্জরি, আই সী য়ু, মেদিসিন অমদি অতৈ ৱার্দনচিংবদা টৌটি ঈশিং তাদবা নুমিৎ হুমনি শুরে। ঈশিং ফঙদবা অসিনা মরম ওইদুনা হোস্পিটাল মনুংগী টৌইলেট চঙলুবদা মনম নমথিবনা লৈবা য়াদ্রে হায়রি। মসিদা নত্তনা মপান থোকপা অমদি খোঙ হাম্বনচিংবা তৌবদা তঙায়ফদনা দরকার ওইবা ঈশিংগী মথৌ তাবনা মপানদগী ঈশিং লৈদুনা শীজিন্নরি হায়রি।

অনাবশিংগী চাক থোংনবা অমদি থক্নবা ঈশিং লোয়নন্না হোস্পিটালগী দাক্তর অমদি নর্সশিং খুৎ-শা হাম্নবা হোৎনবদা ঈশিং ফঙদবদগী খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি হায়রি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা হোস্পিটালগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা জেনিমস হোস্পিটালগী ৱার্দশিংদা ঈশিং ফঙদ্রিবা অসি ফঙহনবীনবা মীৎয়েং চীংশিল্লক্লি। নৎত্রগদি হোস্পিটাল অসি মোৎশিনবগী চাং হেনগৎলক্লগনি হায়রি।

দাক্তর সস্পেন্দ তৌবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা সেনিয়র মেদিকেল ওফিসর ওইনা থবক তৌরিবা দাক্তর এল সুবাসচন্দ্রবু ট্রান্সফর তৌখিবগী মায়োক্তা ঙসি জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দ সস্পেন্সন ওফ দাক্তর এল সুবাসচন্দ্র, থৌবাল খাঙবোক্না কন্না য়ানিংদবগা লোয়নন্না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা জে এ সীগী সেক্রেটরি হৈক্রুজম রাধামনিনা ফোঙদোরকপদা, হৌখিবা জুন ১৫ দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা সেনিয়র এম ও ওইরম্বা দাক্তর এল সুবাসচন্দ্রবু ইখঙ খঙহৌদনা সস্পেন্দ তৌখিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না হীরম অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা ঙসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিগী গেটতা ৱাকৎ মীফম চথখি। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অদুদা মরুওইনা গাইনিগী ওইনা অফবা দাক্তর অমা খুদম চাংদম লৈতনা শেল চায় হায়দুনা হেক্তা সস্পেন্দ তৌবীবা হায়বসি মরম চাদে। দাক্তর সুবাসচন্দ্রবু অথুবা মতমদা থবক্তা হনগৎহনবীয়ু। মদু নৎত্রবদি জে এ সীনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চথরকখিগনি হায়রি। ৱাকৎ মীফম অদুদা দাক্তর এল সুবাসচন্দ্র সেনিয়র এম ও (গাইনোকোলোজিষ্ট) দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালবু সস্পেন্দ তৌরিবগী মরম পীবীয়ু, দাক্তর অসিদা শীরিবা মরাল অসিগী চপ চাবা প্রমান পীদ্রিবা ফাওবা জে এ সীনা অকন্নবা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়বা ফেষ্টুন্নচিংবদা ইদুনা থেৎখি।